ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯲꯳, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯸ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, এপ্রিল ২৩, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২৮শুবা মশীং

# খোংজোম নুমীৎ

## ইপা-ইপুশিংগী মরৈবাক নুংশিবগী ৱাখল্লোন খুদুং ইন্নবা হোৎনসি

পীক্লবসু পীক্লা কনাগীসু মীখা পোন্দনা নীং-খা তম্না পাল্লম্বা লৈবাকশিংগী মনুংদা মণিপুরসু অমনি। মণিপুরগী পুৱারীদা খোংজোম নুমীৎ হায়বসি য়াম্না মরুওইবা নুমীৎ অমনি। কুমজা ১৮৯১গী এপ্রিল ২৩/২৫দা মরৈবাক্কী নীংতম্বা ঙাক্লবগীদমক থৱায় থাবদা পাম্মুবা লৈত্রবা থৌনা ফরবা মণিপুরগী লান্মীশিংনা মতিক ময়াই লৈরবা নোংমৈ-বোম-তোপনচিংবা মতিক চাবা খুৎশু-খুৎলায়শিং নীংথিনা পায়রবা বৃটিশকী লান্মীশিংগা খোংজোমগী খেবা চীংদা অকনবা লান শোক্লকি। বৃটিশকা লাম্ন্থেংনখিবা ইপা-ইপুশিং অদুগী থৌনা লিংজেল অমদি মরৈবাক নুংশিবগী ৱাখল্লোন অদুদি অচম্বা ৱাহৈ খরখক্লা শীংথাবদা য়ৌররোই। শুপ্নতগী থাঙ অমদি চুঙ্গোই পায়বা পাউনা ব্রজাবাসিনা লুচিংবা মণিপুরগী থৌনা ফরবা লান্মী খুজোক অমখক্লা মণিপুরবু খুদুম চন্নবা লান্দাশিল্লকখিবা অফবা খুৎশু-খুৎলায় পায়বা বৃটিশ লান্মীশিংগী মায়োক্তা লান শোক্লবা মতীক চাদে খঙনা খঙনা থৱায় পাম্মুবা লৈতনা খোঙফম চেৎনা লেপ্তুনা মণিপুরগী নীং-খা তম্বা ঙাক্লবগীদমক অয়ৌবী থাক্তা লান শোক্লখি। নোংমৈ-বোম-তোপনচিংবা খুৎলায় নীংথিনা পায়বা বৃটিশকী লোয়লম শন্দোকপা লান্মীশিংগী মখুৎতা মণিপুরগী লান্মীশিং মায়থীখি। পাউনা মেঞ্জর, চিংলেনসম্না, চোংথা মিয়া, শেঙ্গোইস্নানচিংবা য়াওনা থৌনা ফরবা মণিপুরগী লান্মীশিং থৱায় থাখি। লোয়লম শন্দোকপা বৃটিশকী লান্মীশিংনা খোংজোম লানবন থুগায়দুনা চঙশিল্লক্লগা সনা কোনুং লৌশিন্দুনা মণিপুরবু খুদুম চনখি। মণিপুরগী মীয়াম বৃটিশ লৈঙাক মখাদা লোই চল্লবা মীয়াম ওইনা পুন্সি লেনবা তাখি। শক্লাইরবা পুৱারীগা মরী লৈনবা লাইরিকশিং ইরিবা হিষ্টোরিয়নশিংনা কুমজা ১৮৯১দা খেবা চীংদা বৃটিশকা মণিপুরী লান্মীশিংগা শোক্লখিবা লান অদু মণিপুরগী নীং-খা তম্বা ঙাক্লবা বৃটিশকী মায়োক্তা শোক্লখিবা অরোইবা লানফমনি হায়না শীংথানরি। লৈঙাক্লসু চহী খূদিংগী এপ্রিল ২৩ খোংজোম লান নীংশিং নুমীৎপু ছুটি ওইনা লাউথোক্তুনা ষ্টেটকী থাক্তা খেবা চীংদা লৈবা অথৌবশিংগী খুভমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎপগী থৌরম চহী খূদিংগী পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অদুবু লন্নাই লূপ খরনসু এপ্রিল ২৫দা থৌরম অসি পাঙথোক্লরি। চহী খূদিংগী এপ্রিল ২৩দা খোংজোমগী খেবা চীংদা ষ্টেটকী থাক্তা খোংজোম নুমীৎ পাক চাউনা পাঙথোক্তুনা লাক্লবসু হৌখিবা কুমজা ২০২০দদি কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা য়াম্না পাক চাউনা পাঙথোকখিদ্রে। হন্দক্কী কুমজা ২০২১গী ওইনসু কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ লাকপা অসিনা মরম ওইরগা পাক চাউনা পাঙথোক্লরোই। লাইওইখ্রবা অথৌবা ইপা-ইপুশিংগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎলগা ইচম চম্বা মওংদা খোংজোম নুমীৎ থৌরম পাঙথোক্কদৌরি।

মীশিং য়ামজদবদা নত্তনা খুৎশু-খুৎলায় মতিক চানা লৈজদ্রিবা ইপা-ইপুশিং অদুনা ফুরুপকী ঈকায় খুম্নবা অমসুং নীংতম্বা ঙাকপা হায়বসি ইমা লৈবাকপু থৱায়দগীসু হেন্না লুই খল্লগা থৱায় থাদোকপা পাম্মুদনা নীংতম লাম্থেং চত্থখিবা অদুগী ৱাহন্থোক ঙসিগী মীরোলনা য়াম্না কুপ্না নৈনবা মথৌ তারি। নীং-খা তম্বা হায়বসিনা অথোইবা লাইনিং ওইনা লৌজখিবা ইপা-ইপুশিং অদুগী ৱাখল্লোনশিং অদু ঙসিগী মীরোলদা চেল্লিব্রা হায়বসি হংনিংঙাই ওইরি। মীখা পোন্না হিংগদবগী শরুক শিখিবনা শরুক চামা হেন্না ফৈ হায়না ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায়না পোন্থা পীখিবা ইপা-ইপুশিংদা লৈখিবা মরৈবাক নুংশিবগী ৱাখল্লোন খুদুং ইন্ননবা হোৎনসি। খুন্নাইগী হায়বা ৱাখল্লোন অসিদগী মশাগী ওইজবা খক্লা হেন্না লুম্না লৌনবগী মতৌ থাদোকসি। ঙসিগী মীরোলনা লৌরকপা অচেৎপা ফিরেপ অদুনা খুন্নাই অসিগী তুংগী লাইবক লেপকদৌরিবনি। ষ্টেটসিগী হৌরক্লিবা মীরোল য়াওনা লৈঙাক লৈশেমগী থৌদা শরুক য়ারিবা এসেম্বলী কনষ্টিট্যুএন্সি ৬০গী মীহুৎশিং অমদি লৈঙাক্কী মখাদা থবক তৌরিবা ইমপ্লোয়ী খূদিংমক্লা মণিপুরগী নীং-খা তম্বা ঙাক্লবগীদমক লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংনা থৱায় থাদোকখিবা অদুগুম্না মণিপুরগী মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক থৱায় কথোক্লবা শেম-শাসি। শেঞ্জা-থুমজা মুত্থৎননবা লাম্থেংনসি। অথৌবা ইপা-ইপুশিংগী খুভমদা হৈকৎ-লৈকৎ তল্লগা কোক নোনবা খক্তনদি মরৈবাক্কীদমক কথোকখ্রবা ইপা-ইপুশিং অদুবু ঈকায় খুম্নবগী ৱাহন্থোক চপ চানা লৈরে হায়না লৌবা য়ারোই। খুন্নাইসিগী য়াইফননবা পুকচেল শেংনা থবক তৌদুনা কথোকপা ঙম্বগী থৌনা অদু চেলহনবা ঙম্নবা হোৎনসি। তোঙান তোঙানবা থবক থৌরম কয়া পুকচেল শেংনা তৌনবগীদমক লৈঙাক্কী লুচিংবশিং, ইমপ্লোয়ীশিং অমদি মীয়াম্না ৱাশক লৌবগুম্না মতম পুম্বদা কথোকপা অমগা লোয়ননা পুকচেল শেংনা থবক তৌননবা পুম্নমক্লা ৱাশক লৌরসি। মদুদতা ইপা-ইপুশিংদা ঈকায় খুম্নবা উৎপগী ৱাহন্থোক অদু লৈহনবা ঙমগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৬

১) "ঐনে ময়াই কাবদি ৱাংলৈ য়ুবু হেলএ, থকফরোইএ, য়াইবি ঈংনা চেনফরোইএ - কোল্লোইচমনা থাহৈদে। নমু পোং ওইবা পূম্নমকপু থৱায় অমতনে নিংঙৈনে তাইবঙ মীবু ওইনা পোল্লবা ইখোইবু খাচংথৌনি ৱাৎপা লোনজা লনথোই তানফংদরবগী লাহান লাংওন মপোক অমরক্কী থৌরম মতৌশিংবু ৱারম মতৌ খঙলুদে; হন্দক লাংওন অসিগী ৱারম মতৌ খঙদে, থৌরম য়াংগোইরিবসু কদাইনো?" পরেং মতেক অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

২) হিজম অঙাংহল সিংহগী "খম্বা থোইবী শৈরেং" হায়বসি কনানা ইংরাজিদা হন্দোকপগে?

৩) খেবা চীংগী চীংথক্তা লৈরিবা খোংজোম ৱার মোন্যুমেন্টকী লৈরিবা দিজাইনসি করিনি হায়না লৌবগে? দিজাইনসিগী মতাংসি করি লাইরিক্তা থেংনবগে?

৪) "হে তসলিমা: /নুংশিরবী/নহাক অমুক হন্না পোল্লক্তবা ওইয়ুকো/নঙগী নুংশিরবী বাংলাদেশতা/নৎত্রগসু কাউথোক্তুনা/ঐগী নুংশিজরবী মণিপুরসিদা।/মরমদি-/ঙসিদি ওইরক্লে লমদমসে/নহাক্কী লজ্জা।/অদুননি কপলিবা ঐখোয় তশেংনমক/নহাক্কীদমক কিরণময়ী ওইনা/থম্মোয় ফূকপা মখৈ থনুংদা।।" শৈরেং মতেক অসি মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগীনি। কবি অসি কনানো, করি লাইরিক্তগীনো?

৫) কনানা করম্বা চহীদা কদাইদা মৈতৈ লোলনা বাশোক শকপা হৌদোকখিবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# গাড়ীদা নোংমৈ কাপশিনবা ইশাগী খোঙদা শীংজংনা য়ানশিনবনি

অওনবা মালেম

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

করি পামদবা, নুংঙাইতবা লৈবজাৎনো মীয়াম্না শীজিন্ননবা পোৎ-চৈ পুবা ত্রক্তা নোংমৈ কাপশিন্দুনা অকি-অখং থোকহনবসি? ওন্থোক্লা নুংঙাইতবা থৌদোক হায়বদুনি। অসুক য়াম্না হকচিনবা থবক অমা তৌরিবসিনদি মরম অমদি শোয়দনা লৈরমগনি। অশোয়বা থবক অমা তৌখিবগী মওংদি মান্দে। নাকল অনীগী মরক্তা অশোয়বা অমদি য়াওরে। পোৎ-চৈ পুবা ত্রকনা থম্মোয় শেংদবা, লোনা য়াদবা পোৎ-চৈ পুবগী ৱারক-ৱাতেন্লিবরা নৎত্রগা নোংমৈ কাপ্পা কাঙবুশিং অদুনা হায়বা ৱাদা থওই-ৱাওইনা তাদে হায়বগী তৌরিবজাৎলা হায়বা ৱাহং অমা থোক্লকই। অমরোমদা য়েংলুরবদি তাইবঙ মীওইবা হায়বসিনা মশাগী থবক অমা তৌবদা শোয়দবা, লান্দবা ঙমজদে। শাংলবা পুন্সি খোঙচৎ অসিদা অশোয়বা, অরানবা কয়ানা পীক থল্লিবনি। অমরোমদা ৱাখল লৈতনা অশোয়বা, অরানবা থবক কয়া তৌই। মসিগী মনুং চনবা অমনি হায়বা য়াই মীয়াম্না শীজিন্ননবা পোৎ-চৈ পুদুনা লাকপা গাড়ীদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা অমাঙ-অতা থোকহল্লম্বদু।

ৱাখল য়াম্না মুন্না খন্থবা য়াই। ঐখোয় মীয়াম্না চান-থক্লবা পোৎ-চৈ পুরক্লিবা গাড়ী অদুদদি নোংমৈ কাপশিনবদি তৌফম থোক্তে। ঐ ইশানা চানবা পোৎ-চৈসু মসিদা পুদুনা লাক্লিবনি হায়বসি খন্থবা চুম্মী। মশানা চাবা য়াওগদবা, ফি শেৎপা য়াওগদবা কয়া পুদুনা লাকপা গাড়ীদা নোংমৈ কাপশিনবা ঙম্বা মীওই অদুগী পূক্লিং-ৱাখল অদু হায়নীংঙাই লৈতনা ফৎত্রে। হান্না অফবা ওইরন্লবসু ফত্তবা ওইরক্লে। করিগুম্বা পোৎ-চৈ পুবা গাড়ী অদুনা অঙম্বা লোক মখাদা তাখিবসু য়ারিবনি। মীওইগী পুন্সিদা শিবা-নাবা থোক্লক্কদবদুসু য়েংদবা য়াবা নত্তে। পোৎ-চৈ পুবা গাড়ী অমা অমাঙ-অতা থোক্তুনা অরুবা লোকখাদা তাখিবা হায়বসি ঐখোয় ময়াম্না চাগদবা পোৎ ময়াম অমা মাঙজগদৌরিবনি। গাড়ীদা নোংমৈ কাপশিল্লিবা মীওইশিং অদুনা চাগদবা, শেৎকদবা পোৎ-চৈ কয়া অমসু য়াওরমগদৌরিবনি। অমরোমদা নাকোয়ননা মখোয়গী ইমুং-মনুং অমদি মরী-মতাশিংনা শেৎন-চানবা পোৎ-চৈ কয়াসু য়াওরিবনি। অদুগা অনা-অয়েক, লৈত-লায়রবা অথাপ্পা মফমদা লৈবা মীওই কয়ানা শীজিন্ননবা পুরকপা পোৎনি। পূম্নমক অসি য়েংলুরবদি অমাঙ-অতা থোকহনবা মীওইশিং অদু য়াম্না ৱাখল খন্থদবা অমদি মীনুংশি য়াওদবা মীওই ঙাক্তনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। তৌরিবা থৌদৌ অদুগী মরম অদুবু করিনো? মরম চাৱা হায়বসিনি হংবা য়াবসি। অদুবু মীয়াম্নদি তৌরিবা থবক অদু মরম চাদে অমদি মীনুংশি হৈতবা মীওইশিংনি হায়না পেন্দবা ফোঙদোক্লরি। মখোয়গী অনীংবা, অপান্থা খক্তমক য়েংলগা তৌবা থবকনি হায়না লৈবাক মীয়াম্নদি লৌনরি। মখোয় মশেল নত্তনা চুম্মী হায়বীনবা মীওই লৈতে।

অফবা মখলগী খূৎলায় পায়বনিনা মখোয়সু তৌনীংবতা তৌরে অদুগা মখোয়বু থিংবীনবা মী লৈতে হায়নসু লৌরে। কনানবুদি পাঙ্গল থোক্লা মখোয়গা অৱায়-অখুম তৌনদুনা ৱা ঙাঙনরুবা ঙমগনি। অঙম্বা মীওইসু লৈতবা নত্তে, লৈরিবনি। খূৎলায় পায়বা মখোয়না শেম্বা চৎন-কাঙলোন অদু চৎলু হায়বনি তশেংনমক হায়রগদি। অদুবু মখোয়গী চৎন-কাঙলোন অদু মীয়াম্না য়ানরবা অমরা নৎত্রগা লৈবাক মীয়াম খঙনা শেম্বরা হায়বসিনি। মীয়াম্না য়ানগদবা, অৱাবা লৈরোইদবা হায়বা থবক মওং অমসু তাইবঙপাল অসিদা চৎনরি। মীওইবনা হিংবা হায়বসিদা মসিসু য়েংদবা য়াবা নত্তে। লম্বীদা চৎপগী টেক্স লৌবগী চৎনবী শেম্বা লৈরবজাৎলা হায়বসিসু য়েংবা তাই। অদুদসু নত্তে লম্বী অদুদা মীওইবনা শীজিন্নগদবা পোৎ-চৈ কয়া পুদুনা চৎলিবা গাড়ীগী টেক্স লৌবগী চৎনবী লৈতবসু নত্তে। লৈঙাক্লা পরম চুম্না লৌবা টেক্স লৈরি। করিগুম্বা মতমদা পরম চুম্না লৌরবসু কা হেন্না মশীং য়াম্বগী ৱারৌনবসু লৈতবা নত্তে। মদুগী মথক্তুদা লৈবাক মীয়াম্না অমুক্তা তাদবা, অমুক্তা উদবা টেক্স লৌবগী হৈনবী/চৎনবী লৈবা উরকই। মদুবু তৌদবা য়াদে হায়বা অচৌবা শাফু অমগা লোয়ননা তৌরক্লগদি মীয়ামদি অৱাবা য়াম্না মায়োক্লরে। মীয়ামগী মখূৎতা অচৌবা পৱার লৈজবা নত্তে। মখোয়গীদি ৱারক্লবা, পেল্লক্ত্রবা, নীংবা থুংলক্ত্রবা মতমদা ৱাকৎ থাঙ্গৎচবা নত্তনা অতৈ করিসু লৈতে। ফ্রীদম ওফ স্পিচ হায়বদু লৈবাক অসিদা লৈবগী অনীংবা অপাম্বা ফোঙদোকচবা ঙম্বখক্তনি। হোয় মীয়ামগী মখূৎতা অচৌবা পৱার অমদি লৈতবা নত্তে। মদু করিনো হায়বা তারবদি চহী মঙা খুদিংগী মীখলদা ভোট থাদরগা লৈঙাক্কদবা অপাম্বা মীহুৎ খঞ্জবা ঙম্বা অদুনি। তৌবগীবুদি মসিদগী হেন্না চাউবা পৱার লৈতে হায়নরিবনি। অদুম্নমক্তি ওইরগা অদুগুম্বা পৱার লৈরবা ভোটরশিংদা অৱা অনা মরম চাদনা তাহল্লকপা মতমদা য়েংবীনবা লৈতবদৌনা য়াম্না পিদোন্না হিংবসিদনি থম্মোয় কায়নরিবসি। অঙম্বা চীংগী লম্বীদা মীয়াম্না শীজিন্ননবা পোৎ-চৈ পুবা গাড়ী থৌদুনা চৎলিবদু ভোট থাদরিবা পৱার লৈবা মীশক্লি, মীচমনি। অদুগুম্বা মীওইশিং অদুদা অফবা মখলগী খূৎলায় পায়বা মীওইশিংনা অকি-অখং লৈহনবা, অশোক-অপন নংহনবা হায়বসি তশেংনা তৌহৈদবা থবক অমনি। মখোয়দুদগী লৌবা টেক্স অদুনা কয়া য়াম্না চাউবা শেনফম ফংবা ঙমগনি? অমরোমদা ড্রাইভরশিংসু অরানবা অশোয়বা থবক তৌবা য়াওরমগনি। মদুগীসু চৈরাক লৈরি। মতমগী মতুংইন্না অদুমক ফংজগনি অদুগা চৈরাক পীনবা লোইশঙসু লৈরি। অদুগা ড্রাইভরশিংসু মচা-মশু, ইমুং-মনুং লৈরি। নুংঙাইতবা থৌদোক অমদা শিবা-নাবা য়াওরক্লবদি ইমুং-মনুংগী লৈহৌরিবশিং অদুনা নুংঙাইরোইদবা অদুগীসু খন্থদবা য়াবা নত্তে। মীওইবসি শিরবদি তাইবঙপালদা অমুক হল্লকপা য়াবা নত্তে হায়বসিমতং খন্থহন্নীংই।

লৈঙাক্লসু লৌখৎপা য়াবা থবক কয়া হৈনা শিংনা লৌখৎলি। ড্রাইভরশিংনসু অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। লমদম অসিদা লৈরিবা মরু ওইবা লূপ কয়ানসু অচৌবা থৌদাং লৌবা য়াবগী তাঞ্জা লৈরবদি লৌবা য়াই খল্লি। নাকোয়ননা নাকল কয়াদগী ঈ পাউ লৌনরগা অৱা-অনা তাবা থবক অসি তৌহন্দবা য়াগনি। পাম্বৈ কয়ামরুম শীজিন্নরগা লোইশিন্নবা হোৎনবা চুম্মী হায়জনীংই। মখোয় অমদি মীয়াম অনীমক মীতোপ অমত্তা নত্তে লমদম অসিদা লৈমিন্নবা মী ঙাক্তনি। মখোয়সু কা হেনবা থৌওং হেক্তা তৌরকপা ঙমগনি হায়বা থাজদে করিগুম্বা মায়কৈ কয়াদগী খোল্লাউ কয়া লাকপা তারবদি। ●

# কোরোনাগী লানফমদা ঐখোয়

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

ইন্দিয়া লৈবাক্কী ষ্টেট অয়াম্বদা হৌজিক কোরোনাগী সেকেন্দ ৱেব ওইরিবা অনৌবা লাইচৎসিনা অকনবা মওংদা চৈথেং পীবদগী অঙকপা ফংনা মীপাইবা পোক্লরি। মফম খুদিং লায়নাসিনা নোংম-নোংমগী খুদুম চনশিল্লকপগী চাং হায়নীংঙাই লৈতনা ৱাংখৎলক্লি। ইন্দিয়াগী মনুং চল্লুবনা মণিপুরসিদসু চুম্না মীপাইবা পোক্লবদা নত্তনা লায়না মখলসি থুংলরবগী অকিবা চপ চানা ফাওনবা হৌরক্লি। অদুমকপু, ফনা কিনরবসু ইরমদমসিগী মীয়ামসি য়েংবদা চেকশিন্নবগী থৌদৌদি ইয়ৌ-য়ৌনবা মান্দ্রি। ইরমদমসিদসু নোংম-নোংমগী লায়নাসিনা নাহনবা মীগী মশীং অসুক্কী মতিক হেঙ্গৎলক্লি। কোভিদ-১৯না শিথরুবদগী শক্লোন হোংদোক্তুনা অমুক হন্না হিঙ্গৎলকপা হায়বসি মহৌশানা অরুবা ফীভম অমদি শোয়দনা ওইফম থোকপনি। ঙসিদগী নুমিৎ খরনিগী মমাঙ ফাওবদা, ইন্দিয়াগী ওইনা নোংমদা লায়নাসিনা নৌনা নাহনবা মীগী মশীং লাখ অনীয়ৌশিল্লক্কদৌরে ঙাঙনরম্বদগী হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়াদা লায়নাসিনা নোংমদা নৌনা নাহল্লিবসি চাউরাক্লা লাখ অহুমলোমগী ময়াদনি। ফীভমসিদা, ইরমদমসিগী থওই-ৱাওইদবা কাঙবুশিংনা, লৈঙাক্লা থিংলে হায়দুনা লাউথোকখ্রবা কুমসি চহীগী য়াওশঙগী থাবলসু, মচি-মচিদা, মচেৎ ওইনা নৎত্রগা মপূম ওইনা কয়ামরুম অমা চোংনখি। থৌদৌসি, লুরবা লায়না লাইচৎ মখলসিবু লমদমসিগী মীচম-মীয়াম্না থোইনা নাচুংবা ফাওনদে অমসুং অকিবা পোক্লদে হায়বগী ময়েক লারবা খুদম অমনি। হৌজিক্তি য়াওশঙ লোইখ্রে, লায়নাসিনা কনখৎলকপগী চাংসু অসুক্কী মতিক হেঙ্গৎলকখ্রে। থাবলগী ৱাদু খল্লুবদা মীপাইবা পোক্লরবা ৱাফম ওইরক্লি। 'লম-হেনবা' হায়বা ৱাহৈসি কান্নদে হায়বা হৌজিক্তা খঙনরি। অখঙবা কাঙবুশিংনা 'থৌদৌদু চুল্লোই' হায়বীরবা ফাওবদা, অঙাংনা মৈ কিদবগুম, মশাগী অপাম্বতা তৌবগী থৌদৌসি ঐখোয় খরদি থাদোক্লবা চুম্লবনি। চরোইনা অথৌবা তাজিন্দা তোংবা উরগা, হঙোইনা কিমনবদগী মথন্তা পাখৎতুনা মফিদা পংমাংদা মাংই হায়নবদুগুম, হন্দক্কী য়াওশঙ মনীংৱাইগী থাবল মখোলদু তারগা, কোরোনাগী মরমদা ৱাখল তানরবা কাঙবুশিংনা পাখৎনখিবশিংদু অঙকপনি, ঙসিসু কাউদ্রি। তৌবদি থৌদৌসি ঐখোয়দসু নত্তে, মপানলোমদসুনি। ইন্দিয়াগী ষ্টেট খরদা, হিন্দু-লাইনীং চৎপা কাঙবুশিংনা মীওই মিলিয়ন কয়া-কয়ামুক পুন্দুনা, কোরোনাগী ফীভমসিদা কুম্ভ মেলা পাঙথোক্লখি। মখোয়গীদুগা য়েংনরুরবদি, ঐখোয়গীসিদি চাংদম্নবা য়াদবা মখৈ মীশিং হন্থরিবনি। অদুবু, অমবু ওইরো, অমবু ওইরো, কোরোনাগী হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিদা ফত্তে হায়বা থবকশিংদি, মতুংদা অমুক হন্না শুংপাঙ পাঙথোক্লদবনা ফবনি।

ঙসিদি ঐখোয় কোরোনাগী সেকেন্দ ৱেবকী মতাংসিদা, তঙাইফদনা চেকশিন্দবা য়াদবদগী চপ-চানা চেকশিন্না চৎপা অমসুং মরী লৈনবা এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎনবগী থৌদৌশিং খরদি ইরমদমসিদা উবা ফংনরে। চেকশিল্লগা চেক্কী য়ূম শাই, ফাদোক্লগা ফারা শাই হায়বদুনি। অহল-লমনশিংনা থম্বীরম্বা পাউরৌশিংদি চুমদবা অমত্তা হেক য়াওদে। হন্দক্কী কোরোনাগী মতাংসি, চেকশিনহৌবা কাঙবুশিংনা সেকেন্দ ৱেভকী কোরোনাগী লাইচৎসিদগী মশা ঙাকথোকচবা ঙমহৌবা, অদুগা ফাদোকহৌবা কাঙবুশিংগীনা ফনা ফজনা মীশিং হন্থনহৌবা হায়বসি শোয়দনা থোক্লবা য়ারিবা থৌদৌ অমনি। মতাংসিদা পন্নীংবা অমসু লৈ। হন্দক্কী কোরোনাগী মতাংসিনা হায়হনবনি হায়রসু কায়দে। মীনা কৃক-কৃক ইন্নরবা মালেমসিদা মীশিং য়ামখৎলকপনা মরম ওইরগা, জাৎ-জাৎ কয়ামরুমগী থৌদোকশিং থোক্লরক্লি। মালেমসিদা ফত্তবা কাঙবুশিংগী মীশিংসু অসুক্কী মতিক য়ামখৎলকই। অসিগুম্বা তাঞ্জাশিংসিদা, তাইবঙসিবু শেম্বীরিবা মপুনা, মহৌশানা হেক-হেক তাইবঙপানগী মীশিংসি হন্থহন্নবা পাম্বৈ অমমম পুথোকই। হন্দক্কী মতাংসিদনা কোরোনা লাইচৎসিনা ওইরগদ্রা হায়বসিনি মীপাইনরিবসি। মমাঙদা হেপাটাইটিস-বি, ঐচ আই ভি (এইদস) লায়নানচিংবা কয়ামুকসিসু, থৌদৌসিগীদমক তাইবঙ মপুনা চাংয়েং অমমম ওইনা পুথোক্লম্বা ওইরম্বসু য়ারি। চাংয়েংশিংসিগী মনুংদা ফাইনেল ষ্টেজদু হন্দক্কী কোরোনা লায়নাসিনা ওইহল্লগে খল্লম্বসু কনানা খঙগনি? মপু ওইরিবা মাগীদি পূম্নমকসি মনীংনি, ওইহন্নীংবদা ওইহল্লিবনি, থোকহন্নীংবদা থোকহল্লিবনি। ফীভমসিদা মেদিকেল সাইন্সকী খোঙজেলদগী মপু মাগী থৌশিলনা চহী কয়ামরুম হান্না, মাঙজিন থানা চৎলম্বসু য়াই। পূম্নমকসি কুম্মৈ লীংখৎলিবা মপু মাগী মনীং ওইফম থোকপনি। মপু মাগী মফমদা চঙজবা, মাগী মীষ্খে শোঞ্জবা নত্তনা, কুম্মৈসিদা শরুক য়ারিবা ঐখোয়নবু করি হায়জরুবা ঙম্ফম থোকই? পাম্বৈ লৈদা লৈশিল্লকত্রবদি শোমদা খন্দোকপসিসু পাম্বৈ অমনি? অদুবু, হন্দক্কী কোরোনাগী মতাংসিদা, এস ও পি নিংথিজনা ঙাক্লা চৎহৌবা হায়বসিনা মপু মানা পীবিবা, অশিংবা কাঙবু মখৈদি লায়নাসিদগী কঞ্জহৌবা ঙম্নবা নৎত্রগা ঙাকথোকচহৌনবা পাম্বৈ অমখক পীবীবা ওইরম্বসু য়ারি। অমবু ওইরো, অমবু ওইরো, এস ও পি ঙাক্লা চৎপা হায়বসিমদি ঐখোয় খক কাউফম থোক্তে। কোরোনাবু ফাগি ওইনা লৌফমসু খক থোক্তে। ওইনীংবা অমা ওইজসনু, এস ও পি ঙাক্লা চৎপা হায়বসি হৌজিক্কী মতমদা কোরোনা লায়না চঙদনবগী অমত্তা ঙাইরবা লাইৱা হায়বদু ওইরবনি। লায়-না লৈবগীদমক লাইৱা হায়বনি, শোয়দবদুনবু লায়না হায়বা ৱা, লাইৱা কৌনরিবনি।

হন্দক্কী কোরোনাগী লানফমসিদা ঐখোয় মীওইবনা , পাম্বৈ অমা নৎত্রগা অমনা কোরোনাবু মায়থীবা পীবা ঙম্নবগীদমক, শোয়দনমক্কী হোৎনহৌফম থোকপনি। নৎত্রবদি, মতম অমদা মালেমগী লৈমায়সিদা লৈরম্বা, মপাঙ্গল কনবদা মপা লৈত্রবা দাইনোসরসশিংনা খঙহৌদনা মালেমগী লৈমায়সিদগী মপূং ফানা মাঙখিবগুম, তাইবঙ মীওইবা কাঙলূপ ঐখোয়সু হন্দক্কী কোরোনাগী লাইচৎসিদগী পাক্লবা মালেমসিগী লৈমায়দগী পুঙতুম তুম্না মাঙখিবা য়ারিবনি। মতম অমদা মালেমসিদা দাইনোসরশিং লৈরম্মী হায়বগী ফোসিল (শিখি-পৎখিবা পোৎশকশিংগী মমি) শিং তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়না ঙসি ফংনবগুম, ঙসিগী তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়গী ফোসিলসু, মথংগী ইভোল্যুসন (খূৎশেম) দা নৌনা খোঙদারক্কদবা থৱায় পানবা কাঙবুশিংদুনা অমুক ফংনহৌবসু য়ারিবনি। সিদনি, তাইবঙপানসিদা হিংলিবা, লেংলি-পাল্লিবা ঐখোয় পূম্নমকসি তাইবঙ মপু মাগী অপাম্বগী মতুংইন্না শেম্বা খূৎশেম ঙাক্তনি হায়রিবসি। অদুমকপু, হৌজিক-হৌজিকমক মালেমগী লৈমায়সিদা হিংদুনা লৈরিবা মীওইবা কাঙলূপ ঐখোয় পূম্নমক্লা, হেক ঙল্লিবা মখৈ অমদি য়ারিবা মখৈ, তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়গী জেনরেসন (মীরোল) সি ঙসিগী মালেমসিগী লৈমায়দগী মুৎখিদনবা, হোৎনহৌফমদি থোকই। থৌদৌসিগীদমকনি, ঙসি-ঙসিমক মালেমসিদা লৈরিবা তাইবঙ মীওইবা ঐখোয় পূম্নমক্লা অমত্তা ওইনা পূনশিন্দুনা অমদি ৱাখল থাদমিন্নসি হায়রিবসি। শুপ্নগী থৌদৌসি খক্তনা, ঙসিগী মালেমসিদা হিংমিন্নরিবা তাইবঙ মীওইবা ঐখোয় পূম্নমক্কী থৱায়শিংবু কোভিদ-১৯গী মখূবাক্তগী শোয়দনমক্কী কঞ্জহৌবা ঙমগনি।

ওইনীংবা অমা ওইজরসনু, লাইনবু ওইরো, মীনবু ওইরো, তাইবঙ মীওইববু এটেক তৌবা লাক্লবনিনা, ঐখোয়দি মেদিকেল সাইন্সকী মতুংইন্না, লায়নাসিবু মায়থীবা পীবা ঙম্বা লায়না-লায়েং অমদি হীদাক-লাংথকশিং থিবা হায়বসি মহৌশানি। ঙম্নবা থিদুনা লায়েংফম থোকই অমসুং ঙাকথোক্লবা হোৎনহৌবগী মথৌসু তাই। থৌদৌসিমক নৎত্রবদি হন্দক্কী কোরোনা লাইচৎকী মতাংসিদা মালেমসিদা লৈরিবা মীওইবগী কাঙলূপ ঐখোয় পূম্নমকসি, মথক্তা পনখিবগুম, অমত্তা চিথদনা ঙম্নমক তুমখিবা হায়বদু শোয়দবনি। তশেংনমক, লাইচৎসি অথুবা মতমদা লাকশিনবা ঙমহৌনবগীদমক, লমদমসিগী মীয়াম্না, লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পিশিংসি অমত্তা কাউথোক্তনা, চেকশিন্না অমসুং মওং-মরীল তানা, ঙাক্লা চৎমিন্নবগী মথৌ অসুক্কী মতিক তাই। ●